রাজু চৌহান্না এ দি জি ওইরে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : মেজর জেনরল রাজু চৌহান্না এন সী সী দিরেক্তরেট এন ঈ আর, শিল্লোংগী এ দি জি ওইনা থা অসিগী ৫ দগী থবক পুরে হায়না পি আই বি দিফেন্স, ইম্ফালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, মেজর জেনরল রাজু চৌহান অসি নেসনল দিফেন্স একাদেমী খাদাকৱালা, পুনে অমদি ইন্দিয়ন মিলিটরি একাদেমীদগী হৌরকখিবনি। দি এস এস সী, ৱেল্লিংটনদা দিফেন্স সর্ভিস ষ্টাফকী কোর্সসু শরুক য়ারুরে। এয়র কম্মান্দ কোর্সসু য়াওখ্রে। হৌখিবা চহী ৩৩ রোম মিলিটরি কেরিয়রদা মরুওইবা এপোইন্টমেন্ট কয়াদা শরুক য়ারকখিবা মীওই অমসুনি হায়নসু মখা তারি।

মরী লৈনদে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কম্মান্দো অমদি ৬ শুবা এ আরগী অপুনবা খুৎপু অমনা বামোন কম্পু এরিয়াদা থিবা হুন্বা চথবদা প্রিপাক অমা ফারে হায়না পাউচেশিংদা য়াওনরক্লিবা বামোন কম্পু মখা লৈকায়দগী শগোলশেম নোয়োন (৪২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এস কামে হায়রিবা মীওই অসি প্রিপাক অমসুং মসিগী লান্মী শঙলুপ রেদ আর্মিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে হায়না প্রিপাক্লা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

তেঙবাং পোৎলম য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : থৌবাল তুরেল তোর্ব্বান কায়বা অমদি তোর্ব্বানদগী ঈশিং পাথোরকপনা ঈচাওগী অৱাবা নঙলবা ফৌদেল অমদি থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়গী ইমুংশিংদা এস দি ও থৌবাল ডা. ময়েংবম বেটোনা লুচিংবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী কাঙবু অমনা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা চেঙ, হৱাই, থুম অমদি অচাথাউ য়েন্থোকখ্রে।

এস দি সী য়াইরিপোক সর্কল পি য়াইতোঙবা অমসুং এস দি সী থৌবাল সর্কল আই দিনেকুমারগা লোয়ননা চৎখিবা খোঙচৎ অদুনা অথুবা মতমদা মরী লৈনবা লোয়শঙদগী ঈচাও অসি থিংনবা অমসুং রিলিফকী পোৎলমশিং পীহন্নবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী হোৎনগনি হায়না এস দি ও বেতোনা ফোঙদোরক্লি।

কেক্রুপাৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০০১গী জুন ১৮দা ঙমখৈগীদমক থৱায় কৎখ্রবা অথৌবা-অথৌবী ১৮গী অশেংবা খুভম ওইরবা কেক্রুপাৎতা ইনভাইরোনমেন্ট দিপার্টমেন্ট, সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন, এন জি ও অমসুং আই এম সীগী থৌমীশিং য়াওনা ঙসি লম-তু শেংখ্রে। কংলৈ চনু কনবা লূপ য়াওনা লম-তু শেংবগী থৌরম অদু থা অসিগী ১৮দা পাঙথোক্কদৌরিবা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা থৌরমগা মরী লৈননা শিনবনি হায়রি।

GAS TODAY

K&K INDANE SERVICE
SL.NO. UPTO : 200
Booking Upto:05/04/2017
Valid From:28/03/2017
Stk : 306
Timing: 07:30am - 11:00am
(First come first serve)

KHONGNANG GAS AGENCY, BISHNUPUR
Booking Upto:30/01/2017
Valid From:25/01/2017
Stk :306
Timing: 07:00am -10:00am

LAMBODARA INDANE
Booking Upto:15/04/2017
Valid From:13/04/2017
Stk :306
Timing: 07:30am -10:00am

MM GAS SERVICE
Booking Upto:04/04/2017
Valid From:30/03/2017
Stk :306 (DBTL), Rs.699/-
Timing: 07:00am -10:00am

MANIPUR POLICE GAS
Booking Upto:22/03/2017
Valid From:16/03/2017
Stk :306 (CTC&DNSC)
Timing: 10:00am -01:00pm

MISAO GAS SERVICE
Booking Upto:07/04/2017
Valid From:23/03/2017
Stk :306
Timing: 07:30am -11:00am

R&H, IRILBUNG
Booking Upto:21/03/2017
Valid From:06/03/2017
Stk :612 (DBTL)
Timing: 08:00am -11:00am

HIYANGTHANG INDANE
Booking Upto:11/04/2017
Valid From:08/04/2017
Stk :306 (CTC)
Timing: 07:00am -10:00am

J RONGMEI SK INDANE, WANGOI
Booking Upto:17/04/2017
Valid From:12/04/2017
Stk :306
Timing: 06:00am -09:00am

অঙ্গানৱাদি এপোইন্টমেন্টগী ৱাফম য়েংশিন্নবা মহৈরোয় লুপশিংনা তকশিনখ্রে

জিরিবাম, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী আই সী দি এস প্রোজেক্টকী অঙ্গানৱাদি সেন্তর খরগী থবক হাপ্পগী মতাংদা নৌনা খল্লবা মীওইশিংগী ৱাথোক লৈরিবসি য়েংশিনবীনবা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এমসু, এম এস এফ অমসুং কে এস এ ব্রাঞ্চশিংনা তকশিনখ্রে।

এমসুগী জিরিবাম ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা মহৈরোয় লুচিংবশিং অসিনা হায়খি, জিরিবামগী সী দি পি ওগী মখাদা আই সী দি এসকী অঙ্গানৱাদি সেন্তর তরাগী মরী লৈনবা ষ্টাফশিং হাপ্পগী ৱাথোক অসিগী মতাংদা সো কোজ নোটিশ অমা হৌখিবা মে ১৬ তা আই সী দি এস জিরিবামগী সী দি পি ওনা থোকখিবা অদু হৌজিকসু করিগুম্বা লৈখায় অমত্তা তাদনা লৈরি।

অঙ্গানৱাদি সেন্তর মঙা অদু মফম অদুগী লোকেলিটিশিংনা কমপ্লেন তৌদুনা ৱাকৎলকপদগী সী দি পি ও, এ রাকেশ্বরীনা অঙ্গানৱাদি ৱার্কর তরাগী এপোইন্টমেন্টগী প্রোসেস ফাজিন্দুনা থল্লকখিবনি। মীয়াম্না ৱাকৎলকপদা, সেন্তর মঙাগীদি চয়েৎনবা লৈরি। খুঙ্গং অদুগী ৱাংমদগী কেন্দিদেট ওইবা মীওইশিং লৈঙাংপোকপী অমসুং কালিনগড় অমসুং লোয়ননা অতোপ্পা সেন্তর অহুমগী অঙ্গানৱাদিদা হাপচিল্লকই হায়বা ৱাফমদগী চয়েৎনবা অসি লৈরকখিবনি।

অঙ্গানৱাদিগী কেন্দিদেটশিং অদু মশা মশাগী ভিলেজ অদুদগী ওইগদবনি। অতোপ্পা মফমদগী লাকপা মীওইশিং য়াওশিল্লকপদগী ৱাথোক অসি চাউথোরকপনি। মহৈরোয়শিং অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা, কামরঙ্গ সেন্তরগীসু ভিলেজ অদুগী মনুংগী ওইবা ৱাফম কয়া লৈরি অমসুং অঙ্গানৱাদি সেন্তর অদুগী খনগৎলবা মীওই অদু অতোপ্পা মফমদগীনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হায়রিবা ৱাথোক অসিমক নিংথেম্বম অমসুং হিলঘাট এরিয়াদা থোক্লি। খনগৎলবা কেন্দিদেটশিং অদু মপানদগীনি হায়বগা লোয়ননা ভিলেজ অদুগী কেন্দিদেটশিংদি এপোইন্টমেন্ট পীবীদ্রে হায়রি।

রুল অমসুং রেগুলেসন্না দিপার্টমেন্টশিংদা পীরিবা অয়াবা মতুংইন্না ভিলেজ অদুমক্তগী কেন্দিদেটপু এপোইন্ট তৌগদবনি হায়বা ৱাফম লৈরবসু তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা কেন্দিদেটশিং নিংথেম্বম অমসুং হরিনগড়দা হাপচিল্লিবসি অরানবা মওংনি হায়রি।

দ্রাইভর জেমস তেক্ত কায়দনা থাদোকপীরকউ: লুপশিং

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : দিমাপুরগী মাইল অহুমদগী তরুক ফাওবগী মনুংদা থা অসিগী ১০ দা ফাখিবা ওইল টেঙ্কর দ্রাইভর তখেল্লম্বম জেমসপু তেক্ত কায়দনা থাদোরক্কবা হোৎনবীয়ু হায়না লুপ কয়ানা তকশিল্লক্লি।

সেন্তর ফোর হ্যুমেন রেস্ক্যু চনম সন্দ্রোক্কী জেনরল সেক্রেটরি কে বুধ, গামা রে ক্লব চনম সন্দ্রোক্কী সেক্রেটরি আই প্রিয়োকুমার অমসুং চনম সন্দ্রোক জি পিগী প্রধান্না পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, থা অসিগী ১৬ কী নুমিদাংৱাইরমদা চনম সন্দ্রোক অপুনবদা লৈরিবা গামা রে ক্লব, সী ঐচ আর ক্লব, মৈর পায়বী অৱাং, মৈরা পায়বী মখা অমসুং ভিলেজ দিভলপমেন্ট ওথোরিটিশিংগা পুন্দুনা তখেল্লম্বম রাজেনগী য়ুমদা হৈরোম সুরেস প্রধান, চনম সন্দ্রোক গ্রাম পঞ্চয়টনা মীফম অমা ঙসি ফমখি। মীফম অদুগী মরুওইবা এজেন্দাদি তখেল্লম্বম জেমস অপোকপা টি রাজেন কৌবা চনম সন্দ্রোক্তা লৈবা ওইল টেঙ্কর দ্রাইভর অসি থা অসিগী ১০ দা দিমাপুরদগী ফাখিবা অসি ঙসি ফাওবা মফম খঙদনা লৈরি।

মীফম অসিনা কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা ওইল ত্রান্সপোর্টরশিংগী দ্রাইভর য়ুনিয়নশিং, এসোসিয়েসনশিং, ভারত পেত্রোলিয়ম, ইন্দিয়ন ওইল কোর্পোরেসনগী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা থৌদাং লৌবীদুনা অথুবা মতমদা দ্রাইভর জেমসপু তেক্ত কায়দনা থাদোক্লবা হোৎনবীয়ু। অৱাবা মায়োক্লরিবা মহাক্কী ইমুং মনুং, নুপী অমদি পীক্লিবা মচা অনীগী য়েংবীদুনা অথুবা মতমদা মহাকপু খুৎশিন্নবা তকশিল্লক্লি।

অশিবা হকচাং অমা ফংলে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : হৈঙাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোংবা তুরেলগী চাইরেন থোংখোঙ মনাক্তা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা অশিবা নুপা অমা ফংলে হায়রি।

মফম অদুদা শিনা ফংখিবা নুপা অদুগী মমিং অহোংশাংবম বালু (৩৪) অপোকপা এ কুলচন্দ্র কৌই। মহাক খুরাই কোংপাল সাজোর লৈকায়দা লৈবনি।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না অহোংশাংবম বালু থা অসিগী ১৩ গী নুংথিলদা মহাক্কী য়ুমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকপনি। ঙসি নুংথিল চাইরেন থোংখোঙ মনাক্তা অশিবা হকচাং অমা লৈরে হায়দুনা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং চৎতুনা য়েংলুবদা বালু ওইরম্বনি হায়রি।

ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫(ঐচ এন এস) : রিমস ব্লদ দোনরস কম্যুনিটিনা শীন্দুনা ঙরাং ৱর্ল্ড ব্লদ দোনর দেগা মরী লৈননা ব্লদ দোনেসন কেম্প অমা হোস্পিটাল অসিদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা লন্নাই মীওই ১১৫ না মশাগী ঈ কৎলমখি। ঈ কৎখিবা মীওই ১১৫ অসিগী মনুংদা ৪০ না নুপীনি হায়রি।

এক্রেদিটেসন ফংলে

ইম্ফাল, জুন ১৫(ঐচ এন এস) : রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ মাইক্রোবাইওলোজিগী মখাদা লৈবা ঐচ আই ভি লেবোরেটরি (এন আর এল এন্দ আই সী টি সী)দা নেসনল এক্রেদিটেসন বোর্দ ফোর টেষ্টিং এন্দ কেলিব্রেসন লেবোরেটরিজনা এন এ বি এল এক্রেদিটেসন পীরক্লে হায়না রিমসকী মিদিয়া এদভাইজরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লাখ ১৫.২৬ লোমগী হীদাক মনাগী পোৎলমশিং ফারে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : মীওইবগী হকচাং মাঙনিঙাই ওইবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং মণিপুর লৈঙাক্লা য়োনবা অথিংবা থমখ্রবা মতুংদা লল্লোন-ঈতিক তৌবা মীওই খরনা লোন্না গোদাউনদা পৈশিন্দুনা থল্লম্বা য়াল্লবা হীদাক মনাগী পোৎলম লুপা ১৫,২৬,৭১০ রোম ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসনা ফাগৎলে হায়না দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এস পি কবিব কে, আই পি এসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি এস পিগী ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্লা মখা তানা হায়খি, এস পিগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিস্নেল এস পি (এল ও) ৱংপম কসর, এম পি এস অমদি ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী দেপ্যুটি এস পি রোবিন্সন খন্নামগী কম্মান্দ মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট কম্মান্দোগী ও সী ইন্সপেক্টর বি লুন্থাং ভাইফৈ য়াওবা টিমনা অয়ুক্কী পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা হট্টা গোলাপতিদা লৈবা গোদাউন রেইদ তৌবগা লোয়ননা মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদসু থিবা-হুন্বা চথখি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা গোলাপতি গোদাউনদা থিবা-হুন্বা চথবা অদুদা বালনৈকি জর্দা পেকেট ৮৪০, কিং টোবেক্কো পেকেট ৭৬৮, রাজা খৈনি মশীং ৬০০০, তুলসি টোবেক্কো মশীং ১৪৭, সাভেরা জর্দা মশীং ১৪০০, ৯৯৯ জর্দা মশীং ১২৬০, ৯০৯ টোবেক্কো মশীং ১৫১ অমদি জর্দা-২৫০ মশীং ৮০০০ ফাগৎখি হায়রি।

পুলিস টিম অসিনা মখা তানা মন্ত্রিপুখ্রি এরিয়াদা লৈবা দুকানশিংদগী খৈনি গোল্ডন মশীং ১৭,২৮০ ফাগৎখি। পুন্না হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু লুপা লাখ ১৫, ২৬,৭১০ রোমগী মমল ওইগনি হায়রি।

পুলিসনা পোৎকা কোন্ননা ফারবা মীওই অনী অদুগী মমিংনা উরুপ অৱাং লৈকায়দা লৈবা এম দি রিয়াজুদ্দিন (২৩) অপোকপা এম দি জহুরুদ্দিন অমদি সোরা মখা লৈকায়দা লৈবা এম দি মুহিদ খান (৩২) অপোকপা এম দি ইবোতোম্বীনি হায়রি।

অমরোমদা, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা থা অসিগী ১৩ দা বিষ্ণুপুর কৈথেলদা চথখিবা অখন্নবা দ্রাইবতা অথিংবা থমখ্রবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অমদি মীরৈবাক্তগী পুশিল্লকপা পোৎলমশিং লুপা ১,২০,০০০ রোমগী ফাগৎখ্রে।

পুলিস দিপার্টমেন্টগী পি আর ও দব্লিউ বাসুন এম পি এসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, বিষ্ণুপুর কৈথেলদগী ফাগৎলকখিবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা সদর ৯০৫ জর্দাগী পেকেট ৫১, বাবা ১২০ জর্দাগী পেকেট ১৫, বাবা ১২০ জর্দা পিস ৬৮, বালমিকি জর্দাগী পেকেট ১১, সবেরা ১২১ জর্দাগী পেকেট ৩৬, নেবলা জর্দাগী পেকেট ১১৫, মুসাখা গুল জর্দাগী পেকেট ১২২, ৩৫০ সিগনেল জর্দাগী অচৌবা পেকেট ২৪, ৩৫০ সিগনেল জর্দাগী অপীকপা পেকেট ৫, বাবা ব্লেক জর্দাগী পেকেট ১০২, বাবা ব্লেক জর্দাগী বোক্স অমা, সাজন অমসুং সনমগী দজন ১০৬, সাজন পেকেট ১২, সনম পেকেট ৪ অমসুং সাজন পীস ১৯৫, ইমাম বোট্টল ১৮, রাজা খৈনি পেকেট ১২, টি ৫ চেৱিং টোবেক্কো ১২, মিকো ন্যু টুইসন সেরিয়ল গ্রাম ২৫ গী পেকেট ১৫, চেটক স্পীট টোবেক্কো পীস ২২৬, ন্যুলা খৈনি পীস ২৪ য়াওবা পেকেট ৩, নেবলা জর্দা ৭২ গ্রাম হাপ্পা পীস ২৪, গোল্ডন খৈনি ৩১, গ্রাম ৪৫ লুম্বা জর্দা পেকেট ৪৪, গ্রাম ১০ লুম্বা ১৬০ বাবা জর্দাগী পেকেট ৬, বাবা জর্দা ১৬০ গী পীস ৬২ য়াওবা পেকেট ৭, মিকোগী পীস ৩০ য়াওবা পেকেট ১০ নি।

ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদু দিষ্ট্রিক্ট পুলিস বিষ্ণুপুর অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টগী ফূদ সেফটিগী টীমনা দিস্পোজ তৌরগনি হায়রি।

মার্কসিট পীখৎলক্কদবনি

ইম্ফাল, জুন ১৫ : মেদিকেল দিরেক্তরেটনা হৌখিবা মে ১৭ তা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না মণিপুরগী বি এস সী নর্সিং অমসুং পারা মেদিকেল কোর্সেস এন্ত্রান্স এগজামিনেসন ২০১৭ দা শরুক য়াখিবা অদুবু ১০ প্লস ২ বোর্দ অমদি কাউন্সিলগী এগজামিনেসনগী মার্কসিট সবমিট তৌখিদবা কেন্দিদেটশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা লম্ফেলদা লৈবা দিরেক্তরেটকী ওফিসতা মার্কসিট পীখৎলক্কদবনি। পীখৎলক্তবা কেন্দিদেটশিং সেলেক্সন লিষ্ট/ৱেট্টিং লিষ্টতা য়াওহন্নবা খন্নরোই হায়রি।

মীওই লীশিং ২ রোমগী ৱাকৎ ৪২০ ...

*লামায় ১গী মখা...*খুথাংদা খঙহন্নবদা ওফিসলশিংনা শীজিন্নগদবা কম্প্যুটর এপ্লিকেসন রেদ মাইনসু চীফ মিনিষ্টরনা মীয়াম মাঙদা লোঞ্চ তৌখি।

এপ্লিকেসন অদু লোঞ্চ তৌবগী থৌরম চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, অহানবা মীয়ামগী নুমিত্তা ৱাকৎ ২৫০ রোম লাকখি। মদুগী মনুংদা ৱাকৎ ১৫দি থবক্তা ওন্থোকখ্রে। ৱাকৎ ২৫ রোম্না ককখ্রে। মরমদি হায়রিবা ৱাকৎশিং অদু চৎনখিদ্রবা স্কিম অমদি পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী থোকপা কেসশিং ওইবননি। ৱাকৎ ৬৫ রোম্না হৌজিক হৌজিক প্রোসেস তৌদুনা লৈরি। লেমহৌরিবশিং অদুসু মতিক চাবা থবক পায়খৎপা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিল্লি।

মহাক্লা হায়খি, অনীশুবা মীয়ামগী নুমিৎ অসিদা য়াম্না পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওইবা ৱাকৎ কয়া তারুবদা ঐ কপ্পুরবনি। নোংমগী চরা চানিংঙাই লৈতবা, মচাবু মহৈ-মশিন তমহনবা ঙমদবা, য়ুম লৈতবগী ৱাকৎ কয়া অসি তাবদা য়াম্না পূক্লিং নুংশিনিংঙাই ওই। ঙসি নৌনা লোঞ্চ তৌরিবা ওফিসলনা শীজিন্নগদবা এপ্লিকেসন অসিগী মতেংদগী মীয়ামগী ৱাকৎশিংগা মরী লৈননা পায়খৎলিবা থবকশিং অদু খঙহনবদা তেংবাঙলগনি। মীয়ামগী ৱাকৎ খূদিংমক লৈঙাক অসিনা মেজিক্কী মতৌগুম খুদক্তা থবক ওইনা ওন্থোকপদি ঙম্লোই। অদুবু লৈঙাক অসিনা তৌবা য়াবশিংদি মীয়ামদা ৱাহনবা তৌদনা পাঙথোক্কনি হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এদ্যুকেসন, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যামনসু মীয়ামগী নুমিৎকা মরী লৈননা কাঞ্চিপুরদা লৈবা মশাগী য়ুমদা মীয়ামগা উনখ্রে। চাউরাক্লা মীওই ৩০০ রোমগী তোঙান তোঙানবা ৱাকৎশিং মিনিষ্টরনা তাখিবগা লোয়ননা ৱাকৎশিং অদুগা মরী লৈননা থবক্তা ওন্থোকপা য়াবশিং ওন্থোক্কনি হায়না থাজবসু থমখি। মহাক্লা পায়রিবা এদ্যুকেসন, লেবর এন্দ ইমপ্লোয়মেন্টকী মরী লৈনবা ওফিসলশিং অমদি ফেকল্টি কয়া অমসুং মহাক্কী এ সীগী মীয়ামখক নত্তনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াগী মীওইশিংনা মিনিষ্টর উনবা লাকখি হায়রি।

ইন্দষ্ট্রিজ মিনিষ্টর টি ঐচ ...

লামায় ১গী মখা... হেন্দিক্রাফটকী পোথোকশিংগী ত্রেদকী থবক পায়খৎনবগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু থমখি। মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা য়াম্না পীকপা ষ্টেটনি। ফিশাবী মশীং য়াম্না লৈবা ষ্টেট অমনি। ষ্টেট অসিগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম অমদি লৈহাওগী ফিভম অসি ষ্টেভিয়া অমদি লেমন গ্রাস থাবদা য়াম্না চানবা ওই। ফূদ ইন্দষ্ট্রি অমদি মিনরেলগী মতাংদা টেক্নোলোজি কয়া শীজিন্নদুনা ইন্দষ্ট্রিশিং শেমগৎপগী তঙায়ফদবা লৈ।

উমোরোক বোসানদা দিমান্দ লৈরবদি পীবা য়াগনি। চিনাদা কটুনগী দিমান্দ লৈরবদি ইন্দিয়াদগী এক্সপোর্ট তৌবা মতমদা মণিপুর ফাওরগা তৌরবদি হেন্না লায়গনি। মণিপুরদা টুরিজমগী লমদসু শেমগৎপা য়াবা কয়া লৈগনি। ষ্টেট অসিদা লাইমষ্টোন অমদি ক্রোমাইদ ফঙই। মিনরেলগী এক্সপোর্ট ইমপোর্টকী থবক তৌরকপা মতমদা শেন্মীৎলোনদা হেন্না কান্নবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

চিনাদা এক্সপো য়াওরিবা টিম অসিদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি ডা. এস রঞ্জন, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি এল লাখের, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী দিরেক্তর লুইখম, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর১৮ গী কোর্পোরেটর ইনুংঙানবী, চীফ মিনিষ্টর মণিপুরগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এল বসন্ত শর্ম্মা, নোর্থ ইষ্ট ফেদরেসন ওন ইন্টরনেসনল ত্রেদ মণিপুর সেন্তরগী চন্দ্রকিশ্বর, রাজেন অমদি আর কে শেরজিৎসু টিম অসিদা য়াওরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

ইম্ফাল মোরে লম্বীদা আই ঈ দি ...

*লামায় ১গী মখা...*শন্থি চেনা য়োম্বা চিংননিংঙাই ওইবা পোৎশক অমা কুরাওপোকপী মনাক্তা নেসনল হায়ৱে-১০২ গী লম্বীগী মতাইদা লৈরম্বা থেংনখি। টিম অদুনা বোম মানবা পোৎশক অমা লৈরে হায়না ককচিং পুলিসতা পাউ পীরকখি। লৈমখোঙদা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী বোম স্কৱাদকী কাঙবু অমদসু পাউ পীখি হায়রি।

খুদোংথিবা থোক্তনবা লম্বী মতেক অদু পুলিসনা মীওই অমত্তা চথোক চৎশিন তৌহন্দনা থমখি অমসুং মফম অদু অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিংনা ঙাক শেন্দুনা লৈখি। অয়ুক্কী পুং ১১.৩০ রোম তাবদা লাম্নীগী বোম স্কৱাদকী কাঙবু অমা থুংখি অমসুং অশোয়-অঙাম য়াওহন্দনা বোম অদু দিফ্যুজ তৌখি হায়রি।

নাথেলজাং দেজিগ্নেটেদ কেম্পতা...

লামায় ১গী মখা... মওং মতৌ নুংশা থিনিংঙাই ওইরে।

মায় পাক্লা চথখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী ওপরেসন অদুনা কনফার্ম তৌরে অমসুং তশেং তশেংনা উবা ফংলে মদুদি, সূগী গ্রুপশিংনা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা গ্রাউন্দ রুলশিং ইন্দ্রে। চথখিবা ওপরেসন অদু ষ্টেট অসিদা ঈং-তপ্পা ফীভম অমা লৈহন্নবনি। মখোয়দগী ফাগৎলবা খুৎশু-খুৎলাইশিং অদুগা অন-ওথোরাইজ ওইনা লৈরম্বা কার্দরশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে অমসুং কে এন এফ (পি)গী লূচিংবশিংগী মথক্তা এফ আই আর অমা লৌখৎলে হায়রি।

এস আর আইগী নোর্থ ইষ্ট ...

লামায় ১গী মখা... লেজিসলেচরশিংনা এক্সপর্টশিংবু গাইদেন্সনচিংবশিং য়েংবা তঙায়ফদে। কুমজা ২০১৫ গী জুলাইদা লোক সভা সেক্রেটরিয়েটতা স্পীকর্স রিছর্স ইনিসিয়েটিব ইন্সটিট্যুস্নেলাইজ তৌখি। এস আর আইনা ষ্ট্রেটেজিক পোলিসি, ক্বালিটি রিছর্স অমদি তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা মীৎয়েং থল্লি। লেজিসলেচরশিং য়াম্না প্রো-এক্তিব ওইবা তাই।

এন ঈ আর সী পি এগী কনফরেন্স পাঙথোকপনা নোর্থ ইষ্ট রিজনগী তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়াগী মতাংদা খন্ননবগী তাঞ্জা অমসু পীরি। কনফরেন্স অসিগী থিমদি নোর্থ ইষ্ট এন্দ লুক ইষ্ট পোলিসি হায়বা অসিনা ওইরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারনা হায়খি, লুক ইষ্ট পোলিসি অসি কুমজা ১৯৯০ গী অঙনবা শরুক্তগী হৌরকখিবনি। মসিনা সাউথ ইষ্ট এসিয়া লৈবাকশিংগা অফবা মরী থম্নবগা লোয়ননা ইকনমিক অমদি পোলিটিকেলগী অফবা মরী থম্নবা মীৎয়েং থল্লি। নোলেজ কন্নেক্তিভিটি, টেক্নোলোজিকেল কন্নেক্তিভিটি অমদি মার্কেট কন্নেক্তিভিটি য়াওদনা লৈবাক অমত্তনা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙম্লোই।

নোর্থ ইষ্ট রিজনদা ঈং তপ্পা পুরকপগা লোয়ননা ইন্দষ্ট্রিগী লমদা হেন্না খুমাঙ চাওশিনহনবা তঙায়ফদে। মণিপুর অসি ম্যানমারগা য়ুমলোন্নবা লৈবা মফম ওইবনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী গেটৱে অমা ওইনা লৈরি। ইন্দো ম্যানমার বোর্দর ত্রেদ অসি হৌজিক ত্রেদ কেটগোরি অহুমদা ষ্ট্রীমলাইন তৌরি। মখোয়শিং অদুদি ত্রেদিস্নেল একচেঞ্জ, বোর্দর ত্রেদ অমদি নোর্মেল ত্রেদ অসিনচিংবনি হায়নসু মখা তাখি।

কনফরেন্স অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলীগী স্পীকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়খি, মণিপুর অসি অপীকপা অমদি ফজবা ষ্টেট অমনি। হ্যুমেন সিবিলাইজেসনগী তাঙলবা এসেটনি। মহৌশাগী ওইবা ফজরবা কয়া অমসু লৈরি। কৈবুল লমজাওগী অতাওবা ফুমদিগী পার্ক মথক্তা সঙাই লৈরি। উখুলগী সিরুই হিলদা তাঙলবা সিরুই লিলি শাৎলি। মণিপুরগী শান্ন-খোৎনবগী লমদা লৈবাক অসিদা অচৌবা কন্ত্রিব্যুসন পীরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

কনফরেন্স অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা মেঘলায়া লেজিসলেটিব এসেম্বলীগী স্পীকর ওইরিবা এন ঈ আর সী পি এগী চেয়রপর্সন এ.টি. মোন্দলনা হায়, সী পি এনা মেম্বর ওইরিবা লৈবাকশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা পুরকপা অমদি কোওপরেসন পীননবগী অচৌবা থৌদাং লৌরি। ত্রান্সপোর্টেসন অমদি কম্যুনিকেসন হায়বা অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। নোর্থ ইষ্ট রিজনদা লাইরিক লাইশু হৈরগা থবক ফঙদবগী চাং য়াম্না লৈরিবা অসি য়াম্না মরুওইবা প্রোব্লেম অমনি। প্রাইবেট সেক্তরনচিংবদসু থবক ফঙদ্রিবা কয়াবু থবক ফঙহন্নবগী মীৎয়েং চঙবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোকখি। কনফরেন্স অদুদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী লেজিসলেটিব এসেম্বলীগী স্পীকরশিং অমদি এম এল এ কয়ানা শরুক য়াখি।

অমরোমদা, ঙরাং নুংথিল রাজ ভবনগী দরবার হোলদা জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী আর্টিষ্টশিংনা উৎপা কলচরেল ফোরম লোক সভাগী স্পীকর সুমিত্রা মহাজননা য়েংখি। মদুদা মণিপুরগী গভর্নর ডা. নাজমা হেপ্তুল্লা, মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্বলীগী স্পীকর ৱাই খেমচান্দ অমদি মণিপুরগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী আর্টিষ্টশিংনা লাই হরাওবা, খম্বা থোইবী, কবুই দান্স, মাও দান্স, পুঙ চোলোম অমদি বসন্ত রাসনচিংবা উৎখি।

'ঈচাও মায়োক্লরিবসি খুজিল থৌরাং শোয়বদগীনি'

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : মণিপুরগী মীয়াম্না কুম কাঙদনা ঈশিং-ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অমদি হন্দক চহী অসিদা হঞ্জিন-হঞ্জিন অৱাবা মায়োক্লরিবা অসিগী অচৌবা মরমদি ইথাই দাম থিংগৎপননি হায়রি।

উমং কোকথোকপা অসিনসু ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লনবগী মচাক অমা ওইহনদবদি নত্তে। অদুবু চেন্থোরক্লিবা ঈশিংশিং অদু ইথাই দামনা মৌখৎহন্দুনা থল্লবনিনা খূৎশেমগী ঈশিং-ঈচাও মীয়াম্না মায়োক্লবনি হায়রি। মতম চানা ইথাই দাম হাংদোক্লগদি ঙসি ঙামী কয়াগী ফার্মদা ঈশিং থুমজিন্দুনা অৱাবা নংহল্লিবা অমদি মীয়াম্না ঈশিং-ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিবসি খরমখৈদি শাফরমগদবনি। দামশিং অসিনা মণিপুর মীয়ামদা মখল অমত্তগী কান্নবা পীদে হায়বা য়াই। তৌইগুম্বসুং দামশিং অসিনা মণিপুর মীয়ামদদি চাওনা চৈথেং পীরি। খ্বাইদগী চাওনা চৈথেং পীরিবশিংগী মনুংদা ইথাই দাম, মপিথেল দামনচিংবনি।

মপিথেল দামনা তুমুখোং, মোইরাংপুরেল অমসুং ইথমদগী হৌরগা য়াইরিপোক ফাওবদা নুঙ-লৈঙোই পেক্তুনা হিংজরম্বা কয়াগী লম্বী ককথৎপীখ্রে। চাদোং খুল য়াওনা অকোয়বগী খুলশিং লাঞ্জেন্নহল্লি। অদুবু মপিথেল দামনা হৌজিক ফাওবদা মীয়ামদা মখল অমত্তগী কান্নবা পীদ্রি।

অমরোমদা, লোক্তাক মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টনা মাঙহল্লিবসি লৌ পরি লিশিং ৮০ নি। লৌফম অসি মণিপুরগী খ্বাইদগী চাথোক লৈবা লৌফমশিংনি। লোক্তাক মল্টিপর্পজ প্রোজেক্টনা লৌফম পরি লিশিং ৮০ হেন্না মাঙহনবীরমদবা থোক্লবদি মণিপুরনা মপান লমদগী চেঙ লৌরুদ্রগসু ষ্টেট অসিগী পোথোক্লা লেম পানা হিংজবা ঙমজৈ হায়রি।

মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরগী কোওর্দিনেটর, ষ্টেন্দিং কম্মিটিকী য়োংহন মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি, মপিথেল দাম, খুগা দাম, দোলাইথাবী দামনচিংবা কুম পুরবা অচৌবা দামশিং অসিনা মণিপুরগী মীয়ামদা করি কান্নহল্লিবগে হায়বদু ঙসি ঈশিং-ঈচাওনা অৱাবা নংলিঙৈ অসিদা খন্থবীয়ু।

নেসনল হাইদ্রো ইলেক্ট্রিক পাৱর কোওপরেসননা চল্লাইবা লোক্তাক হাইদেল প্রোজেক্টকী ৱাটর লেবেল কায়দনা থম্নবা ইথাই দামগী ফ্লন্দ গেটশিং হাংদবনা মরম ওইদুনা ঈচাও থোকপনি হায়না মরাল শীরক্লি।

উমং কোকথোকপগী থৌওং লেপ্তুনা চথবনা ইকোলোজিকেল ইম্বেলেন্স ওইরক্লিবা অসিনসু মণিপুরদা খঙহৌদনা ঈচাও থোক্লক্কবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

লমজিংবা ওটোনা থৌদাং পুগদবনি : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস) : ত্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিগী অয়াবা য়াওনা ইন্দো বর্মা সুগনু রোদ বস ওনর্স ৱেলফেয়র য়ুনিয়ন্না সুগনুদগী ককচিং, ইম্ফাল অসি মতম শাংনা বসশিংনা মীয়ামগী থৌগল তৌদুনা লাক্লি অমসুং সুগনুদগী ককচিং ফাওবা ওটোরিক্সো চৎপগী ত্রান্সপোর্ট পোলিসিনা অয়াবা পীদে হায়রি

ইন্দো বর্মা সুগনু রোদ বস ওনর্স ৱেলফেয়র য়ুনিয়নগী সেক্রেটরি টিঐচ রাধেশ্যামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হীরম অসিগী মতাংদা ককচিং পুলিসনসু ওটোরিক্সোশিংবু য়েংশিনবগী ৱাফম লৈতে। ওটোরিক্সো খরা ককচিংদা হৌখিবা মে ৮ দা সর্ভিস লাকখি। মদুদা য়ুনিয়নগী ষ্টাফশিংনা মখোয় করম্না সর্ভিস তৌরকপনো হায়না য়েংলুবদা খুৎ থোক্লবগী ফিভম লাকপা তারে খন্দুনা মরী লৈনবা ওথোরিটি ওইরিবা পুলিস দিপার্টমেন্টদা রিপোর্ট তৌরবা মতুংদা ওটোরিক্সোগী সেক্রেটরি ৱাই মঙলেম মশা য়াওনা বি আর এস এমগী মীহুৎ য়াওনা ৱাখল তামিন্নখ্রবনি। লমজিংবা ওটোরিক্সোগী সেক্রেটরি ৱাই মঙলেমনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম কয়া অসি য়ানিংদে। য়ানখিবা ৱাফমশিং থুগায়দুনা সর্ভিস তৌরক্লবদি মদুদা থোক্লকপা থৌদাং খুদিং লমজিংবা ওটোরিক্সোগী সেক্রেটরিনা পুগদবনি হায়রি।

কেমিকেলনা লফোই মুলহল্লগা ...

*লামায় ১গী মখা...*দুকান্দগী কেলসিয়ম কর্বাইদ কেমিকেলনি হায়না চিংনবা পিচ অহুম চেনা য়োমশিল্লগা হাপ্লম্বা প্লাষ্টিক কন্টেনর অমসু ঙসি অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা সিজ তৌখ্রে।

মহমদ অন্সারিদগীনা নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তা লৈবা মহাক্কী গোদাউনদগী শকখঙদবা কেমিকেল শীজিন্নদুনা এদল্টরেট তৌরে হায়বা লফোই কে জি ১৮০সু ঙসি অয়ুক পুং ৯.২০ রোম তাবদা সিজ তৌখ্রে। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ৱাহং পাউহং তৌবগী মথৌ তাবা অমদি ইভিদেন্স কয়া খোমগৎকদবা লৈবনা মখোয় অনীবু নুমিৎ ৬নিগী পুলিস রিমান্দ পীবিয়ু হায়না কোর্ট অসিদা হায়জখিবনি। পুলিসকী মায়কৈদগী থল্লকখিবা ৱাফমশিং অদু তারবা তুংদা শক্তিনাথ প্রসাদ অমসুং দোষ্ট মহমদ অন্সারিবু সী জে এম ইম্ফাল ৱেষ্টনা লাক্লিবা জুন ২০ ফাওবা পুলিস রিমান্দ পীখিবনি।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : থিংবাইজম মনিরোতোন সিংহ, জ্যোতিষ শাস্ত্রী, নাগামপাল পাওনম লৈকায়, ইম্ফাল।

তাং ১৬-০৬-২০১৭, ইরাই, ইঙাগী ২১ নি পানবা, অয়ুক্কী পুং ৫.৩৬ দগী ২২ নি পানবা, যোগিনি মায়কৈদি নোংচুপ, নুংথিলগী পুং ৫.৩৬ দগী কৌব্রু।

মেষ ঃ থবক মফমদা অহোঙবা পীরকপা, কান্নজবা, অকি অখঙ লৈগনি।
লাল্লোল ঃ শেলগা মরী লৈনবা, মৈগী থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনিংবা থুংগনি।
হকচাং ঃ খ্বাঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

বৃষ ঃ মীনা ঙাংবা তাংনিংদবা লৈনি। ৱাখল মওল মওল খনবা, ইমুং মনুংগী পাউ নুংঙাইবা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ অরঙবা পোৎচৈদা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল নুংঙাইগনি।
হকচাং ঃ ঈশিং মরীদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

মিথুন ঃ মীনা খনবনা অমা নীংবনা অমা ওইগনি। লাঙতক্কবা, চরাংনবা লৈ।
লাল্লোল ঃ সনাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাকল পোকহনগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

কর্কট ঃ কান্নবা ৱাৎপা, লাংতক্কবা, শাওনিংবনা য়ামগনি, খরা চেকশিনবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ চাদিং হেনগনি, তুঙ মাঙ য়েংবা ফৈ।
পাখং-লৈশা ঃ মীৱা, মৈশা লৈগনি।
হকচাং ঃ মীৎতা নুংঙাইতবা লৈগনি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, ঘী।

সিংহ ঃ মথক থোঙবগা শাওনবা লৈ। শেল চৎপগী মরম লাক্কনি।
লাল্লোল ঃ সনা, ফিরোলগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ খনবনা অমা, তৌবনা অমা লৈগনি।
হকচাং ঃ উনশা, অপোম অতং পীরি।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ অঙাঙবা, চীনি অঙাঙবা।

কন্যা ঃ মখা থাবা মীনা য়েংথিবা ওইরি। শেল চৎপা, মীগা মুক্ননিংবা ওইরি।
লাল্লোল ঃ ঈশিং, ফিগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাঙগনি।
হকচাং ঃ শরুদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং : লৈ হিগোক, থোইদিং অমুবা।

তুলা ঃ মীনা শীংথাদবা, তৌরুবা থবক্তা খরা চাউখৎপা লৈগনি। ৱাখল নুংঙাইগনি।
লাল্লোল ঃ ঈশিংগী মরী লৈনবা থবক্তা কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ শাওনবা লৈগনি, তপথবা ফৈ।
হকচাং ঃ কোক্তা নুংঙাইতবা পীরি।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, চা চন্দন।

বৃশ্চিক ঃ শেল চৎনকনি। ইমুং লাংগনি। লম কোয়নিংবা, খঙহৌদনা ৱাখল ওল্লকপা লৈগনি।
লাল্লোল ঃ হিদাক লাংথক্কী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ চান্ন চীন্নগনি, ৱাখল মান্নগনি।
হকচাং ঃ খোঙদা নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ থাউ অহিংবগী মৈরা, লৈ হিগোক।

ধনু ঃ য়েংশিনবা য়াম্মী। মরী মতা, মথক থোংবদগী কান্নজবা ওইগনি।
লাল্লোল ঃ সনা, লুপাগী থবক চাউখৎকনি।
পাখং-লৈশা ঃ অনৌবা ৱাখল লাক্কনি।
হকচাং ঃ মীৎ, ঈশিং মরী নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙৌবা, ঘী।

মকর ঃ মীগা মুক্নবা লাক্কনি। পুক্লিং তপথবা ফৈ। লমদা চৎপা, পৈশা চৎকনি।
লাল্লোল ঃ লাকপগা চৎপনা হেনগনি।
পাখং-লৈশা ঃ ৱাখল লাংগনি। মওল মও খনবা, নুংনাংবা লৈ।
হকচাং ঃ পুক, খ্বাং নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ হিগোক, থোইদিং অঙৌবা।

কুম্ভ ঃ করিসু নত্তবদা শাওনিংবা, থবক্লা য়াম্বা তৌবদি ঙমদবা, শাওনিবা পোকপা।
লাল্লোল ঃ হিদাক, অচা অথক্কী পোৎলম কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ য়েংশিনবা, মীনা পাউথোকপা লৈ।
হকচাং ঃ মৈগী অকিবা লৈগনি, খরা চেকশিনবীয়ু।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

মিন ঃ মীনা ঙাংবা তানিংদবা, থবক্তা খুরৌ থাংবা, পুক্লিং তপথবা ফৈ।
লাল্লোল ঃ সনা লুপাগী থবক কান্নজগনি।
পাখং-লৈশা ঃ থাজনবা ৱাৎকনি।
হকচাং ঃ মায়, কোক নুংঙাইরোই।
কোকচনবা পোৎলমশিং ঃ লৈ অঙাঙবা, চিনি অঙাঙবা।

কোকচনবা পোৎলমশিং ইশানা নীংবা ঈশ্বরদা কৎপীয়ু।
যোগিনী মায়কৈদা অমসুং য়েৎওইনবা মায়কৈদা যাত্রা তৌবা ফত্তে।

CAS Medical
An Institute collaborated with ENRICHMENT, New Delhi
Registration Open
REGULAR MEDICAL COURSE
FOR NEET(U.G.)-2018
Special Features:-
● Free Studentship for Toppers in BOSEM & COHSEM ● Study Material from Enrichment New Delhi ● Special Concession for CASIAN
Class Commencing from :- 29th June, 2017
For Details Please Contact:-
CAS, Office, Main Building, Keishampat Junction (Office Hour -5.00 am - 7.30 pm)
& New Building, Opposite Keishampat C.C. Pur Parking(Office Hour:10.30am - 3.30 pm)
Separate Hostels for BOYS and GIRLS Available.
HL-B/3883/10-24/6